‘অথুবা মতমদা লম্বী শেমজিনবীয়ু’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : ইম্ফালদগী জিরি ফাওবদা লৈরিবা লম্বী অসি কা হেন্না ফৎতবনা লম্বী অসিদা চৎলিবা গাড়ী দ্রাইভরশিংনা চাউনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অদুনা মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অসি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা শেমজিনবীয়ু হায়না ওল মণিপুর দ্রাইভরস ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সঞ্জয় ক্ষেত্রিময়ুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সেপ্টেম্বর ২৩দা এসোসিএসন অসিগী মীওইশিংগা লোয়ননা লম্বী অসিগী ওইরিবা ফীভমশিং য়েংশিল্লুরবা মতুংদা লম্বীসিগী ওইরিবা ফীভম অসি হৌজিক হৌজিক মশিং য়াম্না চৎলিবা গাড়ীগা য়েংনরুবদা মতিক চাদ্রে। লম্বী অসি লম্বী ওইনা থাবা য়াদ্রে। দ্রাইভরশিংনা মায়োক্লুরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী মথক্তা মরম চাদনা শেল লৌবগী হৈনবী অমসু লৈরিবসি য়েংশিনবীয়ু হায়রি।

GAS NEWS

TDK GAS
Booking upto : 08/08/2020
Valid from : 03/08/2020
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS.:
6909614353/8731992324

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 13/08/2020
VALID FROM : 02/08/2020
19KG & 5KG AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WIHTIN FOUR (4) DAY
KWAKEITHEL 6909634960 &
8794191632
NAOREM LEIKAI 7085732827
FOR BOOKING CONTACT
KWAKEITHEL 7627964838 &
7627964917
NAOREM LEIKAI 9863131337
CONTACT TIMING 09.00 TO 11.00 AM

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
BOOKING UPTO 14.2KG-29/08/2020
VALID FROM-12/08/2020
***19KG AVAILABLE
FOR DELIVERY SERVICE PLEASE CONTACT
-7085738631OR 8119967523
CALL TIMING:8:00AM TO 2:00PM

M/S BASHIKHONG INDANE
BOOKING UPTO : 14/08/2020
VALID FROM : 29/07/2020
HOME DELIVERY ONLY....
CONTACT NO. : 9089709738,
7005204180, 8787566191
OFFICE TIMING: 8.00 AM TO 11AM
WILL BE DELIVERED FOR 3DAYS

TANGLEI GAS OINAM
Booking upto : 23/07/2020
Valid from : 21/07/2020
STOCK : 612
TIME : 7.00AM TO 10.00AM
19KG STOCK AVAILABLE

M/S K&K INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 08/08/2020
VALID FROM : 30/07/20
GAS BOOKING COUNTER OPEN
AT TERA BAZAR OFFICE.
TIME : 7.30AM TO 11.00AM

POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT
Booking upto : 24/06/2020
Valid from : 15/06/2020
Home delivery within 3 days
Queries : 9366184547
Time : 08:00 am to 10:00 am

KHONGNANG GAS AGENCY, BISHNUPUR
Booking upto : 10/09/2020
Valid from : 17/08/2020
Please contact mobile No.
7085412234
Time: 7:30am to 10:30 am.

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 15/07/2020
Only home delivery
Contact No. 7005771527
Office No. 9774068549
Whatsapp No. 8794973019
Time : 7.30am to 10.00am

HIYANGTHANG IDANE
Booking upto : 16/07/2020
SL. No. upto - 100
Valid from : 14/07/2020
Only home del
Cont. No. 7005934398.
7629076494. Whatsapp No.
9366502930
Office No. 6381538861,
7085557686

EREICHA INDANE GRAMIN VITRAK, LILONG
Booking upto : 10/08/2020
Valid from : 31/07/2020
Stock : 306
Delivery date : 25 September 2020
Working hours 7:00 AM-10:00 AM
Home Delivery & Inquiry.
03852434026.
SMS BOOKING: IOC<Space>
03852434026<Space> Consumer No.
Send to : 9089024365.
(Booking after 15 days from delivery)

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 29/07/2020
VALID FROM: 27/07/2020
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C).
2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN--8787381746 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO.
7085972248
TIMING--8.00 AM TO 12.00 NOON.

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 06/08/2020
Valid from : 06/07/2020
Home Delivery Only....
Contact No:
8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

LEIBAKLEI GAS KAKCHING
BOOKING UPTO : 17/07/2020
VALID FROM : 30/06/2020
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY
CONT CALL TIME : 7.00 A
M T0 10.00AM, 9862836403,
8415050488, 9862283423

মোন্দুমদা কোভিদ ১৯গী এৱেয়রনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : কোলিসন এগেন্স দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না হৌজিক-হৌজিক পান্দেমিক ওইনা শন্দোক্লিবা কোভিদ ১৯গী লাইচৎ অসি লমদম অসিদসু ট্রাভেল হিষ্টরী লৈতবা মীওই কয়া অমা লায়না অসিগী পোজিটিভ ওইরকপদগী কম্যুনিতি স্প্রেদ তৌরকপগা লোয়ননা মীয়ামগী মরক্তা মীপাইবাগী চাং হেঙ্গৎলক্কুনা লম্বী সম্বল খাজিন্নরকপা, কোভিদ ১০ পোজিটিভ ওইরুরবা মতুংদা হোম ক্বারনটাইন তৌজরিবা মীওইশিং অদুগা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংনা মশাগী মথৌ তৌরুরগা ময়ুমদা হল্লকপা মতমদা লৈকাইগী মীয়াম্না লৈকাইদা চঙহন্দবা, হন্থনা য়েংবীবনচিংবা থৌদোকশিং অমসুং লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎলক্তবা থৌওং কয়া এৱেয়রনেস পীদুনা ৱাখল তাহন্নবা পান্দমদা চৎথরকপা এৱেয়রনেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.০০ তাবা মতমদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোন্দুমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱুমেন্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা), তোকপচিং অপূনবা মৈরা পায়বি লূপ অমসুং কাদা পুন্না খুৎশম্নদুনা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অমা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অদুদা হিজম প্রিয়োকুমার-প্রসিদেন্ট, কাদা; মোইরাংথেম ওংবি সনাতোম্বী - সেক্রেটরি, থৌবাল ইমা; সোরোখাইবম নেনা - প্রসিদেন্ট, কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং সলাম তবাবী-মেম্বর, তোকপাচিং অপূনবা মৈরা পায়বি লূপনা থৌরমগী প্রীসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। অমসুং থৌরমগী ৱাঙাংলোই ওইনা ময়েংবম বুধি- সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন, কাদা অমসুং দিপানজিৎ নিংথৌজম-ভাইস-প্রসিদেন্ট, কাদানা শরুক য়াখি।

ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াখিবা ময়েংবম বুধি- সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন, কাদানা হায়খিবদা, নোভেল কোরোনা ভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা ঐখোইনা ইশা ইশাদগী হৌনা চেকশিন-থৌরাং মপুং ফানা লৌখৎপা তঙাই ফদে। মরি মতানি, শাগৈ-নাতৈনি হায়দুনা ঐখোয়না চেকশিন থৌরাং লৌখৎতনা হেক্তা পুনবা চামিন-থকমিন্নবা থাদোকপা অমসুং লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্লা মীয়ামদা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং খূৎ তোইনা হামদোকপা, ফেস মাস্ক উপ্পা লোয়ননা অমগা অমগগী মরক্তা মিটর ২দগী তাদনা অরাপ্পা থন্বা হায়বসিনা হৌজিকফাওবগী ওইনা কোভিদ ১৯গী লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা হিজম প্রিয়োকুমার-প্রসিদেন্ট, কাদানা হায়খিবদা, ঐখোয়গী মীয়াম্না হৌজিক থেংনরিবা লান্থেং অসি মখল অনিনি। অহানবদা চহী কয়াগী মমাংদগী লদম অসিগী ক্লব, মৈরা পায়বি ইমা ইবেলশিংনা লমদম অসিগী মীয়াম নিশাগী ঈরোলনুংদা লুপখিগদবদগী কলহৌনবা ঙসিফাওবা থেংনরিবা লান্থেং অসিনি অমনা মালেম পুম্বদা লাইচৎ অমা ওইনা শন্দোরক্কুনা ঐখোয়গী লমদম অসিদসু য়ৌরক্কুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা মীয়াম্না থেংনরিবা লান্থেং অসিনি। মখা তানা মহাক্না হায়খিবদা, হায়রিবা লান্থেং অনি অসি থেংনবদা ঐখোয় খুদিংমক হকচাং ফনা লৈবা তঙাই ফদে। হকচাং ফৎত্রবদি লান্থেং অনিমক মায়োক্লবা ঙম্লোই। শোইদনা মায়থিবা নংগনি। অদুনা ঐখোয় ময়াই কাবা চিঙ্গাক মখল খুদিংমক্তগী লাপ্না লৈদুনা ঐখোয়না ঙসি মায়োক্লরিবা লানফমশিং অসি মায়োক্লদুনা মায়থিবা পীনবা হোৎনবা তঙাই ফদে। নৎত্রগদি ঐখোয়গী মশিং য়ামজদবা খুন্নাই অসি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়খি।

কোভিদ-১৯ টাক্স ফোর্স লম্লাইনা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদসু লেপ্পা লৈতনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ পাকশন্না শন্দোরকপা মরমনা মফম কয়াদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবা মরমনা ৱানা খাঙলিবা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচন্না লৈবা লম্লাইগী খুঞ্জাশিংদা কোভিদ-১৯ টাক্স ফোর্সনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে হায়না টাক্স ফোর্স অসিগী কনভিনর ই দয়ানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, লম্লাই খুলদা পোজিটিভ ওইরকপা মীওই কয়া য়াওরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাওথোকখ্রবা মফমশিংগী ইমুং মনুং ১০০ হেনবদা চানবা চেঙ-হৱাই, থাও-থুম অমদি মতেং কয়া লেপ্পা লৈতনা পাংলি। এন এফ এস এগী কার্দ পায়রমদবা ইমুংগী মীওইশিংদা অখঙ-অহৈশিং কৌদুনা কার্দ পায়হন্নবগীদমক থবক থৌরমসু পায়খৎখ্রে। লোয়ননা লম্লাইগী লৌমিশিংদা অতাবা মমলদা হারসু ফংহনখি। হৌজিক লায়না লাইচৎ অসিগী হীদাক থোরক্তবা মরমনা লায়না অসি লাকশিনবা ঙমদ্রিবা ফাওবা কোভিদ-১৯ টাক্স ফোর্স লম্লাইনসু অঙন্বা থাক্তা মখা তানা মতেং পাংখিগনি। টাক্স ফোর্স অসিদা মতেং পাংবিরকখিবা মীপুম খুদিংমকপুসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

রাষ্ট্র্য পোষন মাগী প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : ঙসি লৈঙাক্কী সোসল ৱেলফেয়র লোয়শঙগী মখাদা লৈরিবা আই সি দি এস প্রোজেক্ট, শিলোংনা শিন্দুনা উচিৱা ৱাংমা তাবদা নেসনল ন্যুত্রিসন মন্থকী শরুক অমা ওইনা রাষ্ট্রি পোষান মাগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। পোষান পঞ্চায়েট গ্রাম পঞ্চায়েট লেবেলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগী থীম্না ভেজিটেবল এন্দ ফ্রুট প্লান্টেসন দ্রাইভ ইন কিটচন গার্দেন এট কম্যুনিতি লেবেলনি।

থৌরম অসিদা প্রোজেক্ট অসিগী সি দি পি ও বিজয়া অমসুং শুপরভাইজরশিংদা এন সোভারানি, ও বিমোলা, শুমিলা, এস ইবেমনুংশি, লৈকাইগী ৱার্দ মেম্বরশিং, অঙ্গনৱাদি ৱর্কর অমসুং মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

ওল্ড এজ হোম য়াওনা মফম অনীদা...

লামায় ১গী মখা... লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ক্লবশিংগা খূৎশম্নরগা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী থবক ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পায়খৎখি। অদুগা মোংশাঙ্গৈ ওল্ড এজ হোমগী অহলশিংবুসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭০শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরমগা মরী লৈননা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী থবক পায়খৎখিবনি হায়রি।

হীরমসিগা মরী লৈননা এক্স এম এল এ আর কে আনন্দনা হায়খি, নাউরিয়া পাখঙলাকপা এ সী অসি কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎতগী ফ্রী ওইবা মফম অমা ওইহন্নবা মীয়াম পুন্না হোৎনসি। লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা লৈঙাকখক্তনা ঙম্লোই। মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎসি। লায়না অসিদগী লায়থোকপা তৌগুমসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা বি জে পিদা নৌনা য়াওখ্রবা এক্স এম এল এ আর কে আনন্দনা নাউরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা কোদোমপোকপী মমাঙ লৈকায়, ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লাইরেম্বী, ক্বাকৈথেল হৈনৌখোঙনেম্বী থোকচোম লৈকায়, ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায় অমদি হৈরাঙ্গোইথোং য়াঙম লৈরক মখাগী এরিয়াশিংদা লৈরিবা য়ুমশিংদা চান থক্লবা পোৎলমশিংসু তেংবাংখ্রে হায়রি।

কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট কম্মাদোগী টিম অমনা কোংবা লাইশ্রম লৈকাইগী য়ুথ ক্লবকী মনাক্তা লম্বীদা অচৎ-ওকশিং চেক তৌবদা আর পি এফ/পি এল এগী কাদর অমা হৌখিবা লৈবাকপোকা নুমিৎকী নুংথিল পুং ২.৩৫ রোম তাবদা ফারে। কম্মন্দোনা ফারবা পি এল এগী কাদর অদুগী মমিংনা কৈশাম ইন্দজিৎ মঙাং (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে কুলা কৌই। মহাক কোংবা লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবনি। ফারবা মীওই অদু লিগেল এক্সন লৌখৎনবা পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

উপোকপিদা দেঙ্গী এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মেলেরিয়া ওফিসর অমসুং উপোকপিগী রুরেল এরিয়া দিভলপমেন্ট সেন্টর (আর এ দি সি) না পুন্না খুৎশম্নদুনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা দেঙ্গী লায়নাগী কম্যুনিতি এৱেয়রনেস কম মোস্কুইটো নেটকী এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি ঙসি উপোকপি মমাং কম্যুনিতি হোলদা অয়ুক পুং ১১ তারকপদগী হৌরদুনা পাঙথোকখিবনি।

প্রোগ্রাম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া ওফিসর, বিষ্ণুপুর দা. টিঐচ নবকিশোরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা আর এ দি সিগী চীফ ফঙ্কসন্নরি ওইনাম জুগেশ্বরনা ময়াই তাংবল লৌখি। প্রোগ্রাম অসিগী মনুংচন্না উপোকপি অমসুং নৌপোকপিগী খনগৎলবা বিপিএল ফেমিলিশিংদা কাঙখলশিং য়েন্থোকখি। লোয়ননা বেটি বচাও বেটি পরাওগী প্রোগ্রামসু প্রোজেক্ট অসিনা শিন্দুনা পাঙথোকখি হায়রি।

লৈঙাক অসিনা মীখল নকশিল্লক্লবা মতমদা...

লামায় ১গী মখা... নুমিৎতা মীয়ামগা লোয়ননা প্রোটেষ্ট তৌনবসু শেম শারে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা এ আই সী সীগী মণিপুর ইন-চার্জ ভক্তচরন দাসনা হায়খি, লৈবাক অসিগী লৌমীশিং তান্নরম্বা তৌদনা বি জে পিনা হন্দক্তা পার্লিয়ামেন্টতা লৌমীশিংগী অথিরবা বিল অহুম হাথু হাথুনা পাস তৌখি। সেন্টরদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মীয়াম্বু মওং কয়াদা শীংনরি। লৌমীশিংনা লৈবাক অসিগী শেনমীৎলোনদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। লৌমীশিং য়াওদনা লৈবাক অসিগী মীয়াম হিংবা ৱাগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লিলোং লিতান মখোঙদা আর সী সী...

লামায় ১গী মখা... ঙম্লোই। মসিগীদমক অহোংবা অমা পুরক্লবা হোৎনবা চঙই। বি জে পিগী লৈঙাক অসিবু মপাঙ্গল কন্না লৈহন্নবা, লৈবাক মরা চেৎহল্লগা মীয়াম্বু ইংনা চীক্লা লৈহন্নবা এম এল এ ওইবদগী তোথোক্লগা কথোক্লিবশিং অসি থাগত্তবা ঙমদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লিলোং এ সীগী এক্স এম এল এ অবদুল নসির, ৱার্ক্সকী কম্মিস্নর টি ৱাইফৈ, পি দব্লিয়ু দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়র কে ঐচ টেম্বা অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

মপান্দা চৎলুদবা ১২৪ য়াওনা...

লামায় ১গী মখা... বিষ্ণুপুর আর এ টিদা ৭, ককচিংদা ১, সেনাপতি আর এ টিদা ১নি। পোজিটিভ ওইরবশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৩৩, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৩৪, থৌবালদগী ১৬, কামজোংদগী ১, ককচিংদগী ৯, সেনাপতিদগী ১, উখ্রুলদগী ৮, বিষ্ণুপুরদগী ৭, চান্দেলদগী ১ অমসুং চরাচান্দপুরদগী ২১ নি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ৫ অমসুং উখ্রুলদগী মীওই ২দি তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী হল্লকপনি। অদুগা অতোপ্পা মীওই ১২৪ না মণিপুরগী মপান্দা চৎলুবগী ট্রাভেল হেষ্টেরি লৈতবা মীওইশিংনি। ঙসিগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শিবগী রিপোর্ট লৈতে। মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শিখিবা মীশিং অসি ৬২দগী হেন্দ্রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা তোঙান তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী মীওই ২৬১ সু দিসচার্জ তৌখ্রে। নৌনা থেংনখিবা কেস ১৬১ অসি থারগা হৌজিকফাওবগী ওইনা অপুনবা কেস মশিং ৯৫৩৭ শুরে। লায়না লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলকপা কেস মশিংনা ৭৩৬৯ নি। অদুগা হৌজিক হৌজিক ২১০৬ না এক্টিব ওইরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নুপী মিনিষ্টর লৌথোকপা য়ানিংদে...

লামায় ১গী মখা... দিমান্দ অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা ঙসি ফাওবা অখন্নবা এক্ট অমত্তা শেমদনা লৈরি। নুপীগী মথক্তা চথবা তোঙান তোঙানবা মখলগী ক্রাইমশিং অমদি নুপীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী ৱাকৎফম ওইরিবসি নুপী মিনিষ্টরশিং অমদি এম এল এনি। লাইবক থীবদি লমদম অসিদা লৈরিবা লেজিসলেচরশিংগী মনুংদা নুপী অনীখক য়াওরিবা অসিগী মনুংদা কাংপোকপী এ সীদগী মায় পাক্লকখিবা নেমচা কিপগেনবু মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখিবা অসি লৈঙাক অসিনা নুপীদা হন্থবা মীৎয়েং থম্বনি হায়না নুপী মরুপ্পা লৌই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এম এল এ শোরোখাইবম রাজেন...

লামায় ১গী মখা... এ সীগী এম এল এ আর কে ইমোবু মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ওইনা হাপ্পনবা থৌরাং য়াৎপনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদগী এন পি পিগী মিনিষ্টর অনী অমদি এল জে পিগী মিনিষ্টর অমা লৌথোরকখিবা অসিগী মরী লৈননা ষ্টেট অসিদা পোলিটিকেলগী ওইবা অওনবা ফিভম কয়া লাক্লবা য়ানা লৈরে।

তোঙান তোঙানবা পাউজী লীখুনশিংনা ফোঙদোরকপদা এন পি পিগী এম এল এশিং পুনশিন্দুনা ঙসি নুমিদাং মীফম অমা পাঙথোক্তুনা এন পি পিগী মিনিষ্টর অনী লৌথোরকখিবা অসিগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখ্রে। এন পি পিগী মিনিষ্টর অনী লৌথোরকখিবা অসিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংসু এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ শংমাদা খঙহনখিবগা লোয়ননা এন পি পিনা হান্না লৌখিবা ফিরেপ চেৎশিলহন্নবসু লেপ্পখ্রে হায়রি। অদুমকপু হৌজিকফাওবগী ওইনদি এন পি পিনা লৈঙাক অসি মখা তানা শৌগৎখিগদ্রা নৎত্রগা শৌগৎলরোইদ্রা হায়বদি চপ চানা লাউথোরকপা লৈত্রি।

মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখ্রবা বি জে পিগী এম এল এ অহুম মিনিষ্টর রিসফল তৌবা অসিবু য়ানিংদবা পার্টি অসিগী এম এল এ খরগা পূন্না মফম অমদা কেম্প তৌদুনা লৈখ্রে হায়রি।

কোর্টনা চেন্নবা বোলেরোগী মপু...

লামায় ১গী মখা... খরনিগী ওইনা শীজিন্নবা পাম্মী হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি। মহাক্না হায়জরকপদগী গাড়ি অসি মহাক্না শীজিন্ননবগীদমক কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারি ১২দা কর্নেল অজয় চৌধুরিগী রেসিদেন্সিএল ওফিসতা পুরগা পীখি হায়রি।

মসিগী মতুংদা মহাক্না গাড়ি অসি লৌশিল্লনবা হায়রকপদগী চৎলগা লৌরুই হায়রি। অদুবু গাড়িসিগী নম্বর প্লেটতি য়াওরমখিদে হায়রি। মসিগী মরম হংলুবদা মহাক্না গাড়িসিগী নম্বর প্লেটতা ’গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স’ হায়না থাদুনা শেমদোক-শেমজিন খরা তৌখ্রে হায়না ফোঙদোরকখি। হায়রিবা ৱাফমসিদগী মহাক্না গাড়িসি ময়ুমদা পুরকখি অদুগা দুকান্দগী অনৌবা নম্বর প্লেট অমা লৈরগা হাপচিনখি হায়রি। অদুবু পাউদা অজয় চৌধুরি পুলিসনা মহাক্কী বোলেরো (এম এন-০৪/এ-৮৩৯০) দা দ্রগ পুরম্বদগী ফারে হায়না উৎলকখি হায়রি। পাউদা মহাক্কী গাড়িগী নম্বর প্লেট য়াওরকপদগী মহাক্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিদা চৎতুনা দ্রগ ফাবদা মহাক্কী গাড়ি চেন্নবগী মতাংদা রিপোর্ট তৌখি হায়রি।

রিপোর্ট তৌরুবসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিনা এস পি থৌবালদা চৎননবা হায়রকখি হায়রি। মসিদগী এস পি থৌবালগা উনদুনা ৱারী পুম্নমক তমখি, লোয়ননা এস দি পি ও, ককচিংনা মহাক্কী গাড়িগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর হাপ্পলম্বা ফারবা বোলেরে অদুগী ফোটো উৎলকখি হায়রি। মহাক্কী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর প্লেট হাপ্পলম্বা বোলেরো অদুগী নম্বরনা এম এন-০৪/এ-৬৯৬৮ নি। মহাক্কী নম্বর প্লেট অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া হায়নসু থারমখি হায়রি।

লোয়ননা অসিগুম্বা ক্রিমিনেলগী থবক অসিদা কর্নেল অজয় চৌধুরিনা মহাক্কী গাড়িগী নম্বর প্লেট শীজিন্নরম্বগী মতাংদা করিমত্তা খঙদে হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি। করিগুম্বা মহাক্না মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া হায়না মহাক্কী গাড়িগী নম্বর প্লেটতা থারম্বা অদু উরবদি মহাক্না মশক তাকপা ঙমগনি হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

মহাক্না ৱাফমশিং অসি কোর্টতা ফোঙদোল্লবা মতুংদা মঙোন্দা ক্রোস এগজামিনেসন হৌগৎলকপদা লোইশিনবা ঙমদবদগী কোর্টনা মসিগীদমক কেস অসি মতং থাগী ৮দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

আর পি এফকী প্রসিদেন্ট ইরেংবম চাউরেননা পি এল এগী ৪২শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল...

লামায় ১গী মখা... মসিবু থেংনবা হায়বসিনা ঐখোয় খুদিংমক্কী খ্বাইদগী মরু ওইবা অহানবা ইথৌদাং ওইরে।

ঐখোয়না কোভিদ-১৯গী মরমদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু মহীক অসিনা মণিপুরদা পাক শন্না শন্দোরকখিবগী মরমশিংদি নীংথিজনা খঙনরে। অদুবু মসি খঙনা খঙনা ঙসি ফাওবা ঐখোয়না লাইচৎ অসি মপুঙ ফানা লাকশিনবা ঙমদনা লৈরি। মসিদা লৈবাক অসিগী লৈরিবা হকশেলগী নৎত্রগা লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লবগী পাম্বৈদা মতেং ওইগদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ৱাৎপদগীনি হায়বা খক্তদা ঐখোয়না থঙজিন্দুনা লৈবা য়ারোইদৌরি। মরমদি মতীক চানা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈরবা অমদি হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিং মপুং ফানা লৈরে হায়রিবা অমেরিকা অমদি য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা লাইচৎ অসিনা ফিভম থীনা শোকচিলহনখিবা ঐখোয়না উরবনি। অদুনদি, লাইচৎ অসি থেংনবদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি লৈঙাক্লা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং মতীক চাহনবা অমসুং মদুবু মীয়াম খুদিংমক্লা থাজবা থম্বগা লোয়ননা চপ চানা ইনবা হায়বসিনা ওইরি। অদুবু লুরিবদি লৈঙাক অসিনা মতীঙ থোক্লা লাইচৎ অসি থেংননবগী থৌরম থৌশিল পুথোক্তুনা চৎনহনবা ঙমগদ্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং অমনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মালেমগী খ্বাইদগী মমীং লৈবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিং লাইচৎ অসিনা শোকহনবা মকোক্তগী থীরকপদা মথং মনাউ ওইনা লৈরি। লৈঙাক্কী অরেপ্পা থৌশিল লৈতবতা নত্তনা লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লবগী পাম্বৈশিং মখোয়গী মীয়ামদা চৎনহনবা ঙমদবা অদুগা মীয়ামদুনসু ফেস মাস্ক উপ্পা ফাওবদা অপাম পামদা খনবগী হক লৈ হায়না লৌরিবা লৈবাকশিং অসিগী মতৌ ঐখোয়গী মীয়াম্না তমদুনা লৈরবদি লাইচৎ অসিনা ঐখোয়বু নোংমা নোংমগী শোকচিল্লক্তুনা খুন্নাইদা অচৌবা শীংনবা অমা ওইরক্কনি। অপীকপা মশিং য়ামজদবা ফুরুপ ঐখোয়গীদি লাইচৎ অসিবু মায়পাক্লা থেংনবা ঙমখিবা লৈবাকশিং, মরু ওইনা চাইনানা পায়খৎখিবা থবক থৌরম অমদি মদুদা মীয়াম্না লৌনখিবা থৌদাংশিং অদু মতৌ তমদুনা খুন্নাই অসিবু লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা তাই। ঐখোয়না কাউরোইদবদি হৌজিক পাল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি লৈঙাক অসিদা য়াওরিবা মশাগীতা খনবা মীওইশিং অসিনা ইন্দিয়াদা লাইচৎ অসি মপুঙ ফানা থেংনবা কৈদৌঙৈদা ঙম্লোই। মরমদি মখোয়না পাঙথোক্কদবা থবক থৌরম খুদিংমক ইলেক্সনগা মরী লৈনৈ অমসুং মখোয় মশেলগী মরক্তা ফম মুন্নবা, মীচঙ খোম্নরগা লৈঙাক পায়নবা হোৎনবা অমসুং অশোয়বা থিনরগা মশেল হুন্নদুনা দিমোক্রেসি লৈঙাক্লোনবু ৱাহন্থোক লান্না হল্লিবা মীওইশিং ঙাক্তনি। অদুনা মখোঙ-মরু চুমদনা হৌরকখিবা ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসি লৈঙাক অসিদি শেঞ্জাউ পায়বা মীওই খরগী অপাম্বগী মতুং-ইন্না মীওই খরবু লৈঙাক পায়হনবা অমসুং মদুদা মীয়াম্বু মখোয়গী খুৎফা ভোটরশিং ওইনা শেমগৎতুনা শৌগৎহনবা মখলগী দিমোক্রেসি থোঞ্জিনবা লৈঙাক্লোন্নি।

এসোসিয়সন ওফ দিমোক্রেটিক রিফোর্মসনা পুথোকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী এম পি ৩০১ অসিগী মনুংদা ২৬৫, অদুগা কোংগ্রেসকী এম পি ৫১গী মনুংদা ৪৩ ক্রোরপতি ঙাক্তনি হায়রি। অতৈ পার্টিশিংগী এম পিশিংসু ক্রোরপতিনা অয়াম্বনি হায়রি। হায়রিবা এম পিশিং অসিগী মনুংদা চাদা ৪৪দি হৌজিক হৌজিক ক্রিমিনেলগী কেস কয়াদা চেন্নবা মীওইশিংনি। অসিগুম্বা শেঞ্জাউ পায়বা, ক্রিমিনেলশিংনাা মশিং য়াম্না য়াওবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক অসিনা কোভিদ-১৯গুম্বা লায়রবা মীয়ামগী পুন্সিদা হেন্না শোকহনগদবা লাইচৎ অসি থেংনবদা পুক্নীং চঙলক্কনি হায়বসি থাজনিংঙাই ওইদে। মরমদি মখোয়না লৈঙাক্লোন্দা য়াওরক্লিবা অসি অহেনবা লন-থুম তানশিন্নবা অমসুং লৈঙাক্কী অঙম-অথৌ ওইদুনা মখোয়গী পাঙ্গল শীজিন্ননিংবা মওংদা শীজিন্নবা য়ানবা খক্তদা য়ুম্ফম ওইরকপনি। মখোয়না শেম্বা লৈঙাক অসিনা লাইচৎ অসিবু হকচিন্না লৌবদি লায়রদনা লাইরবনা হেন্না মশিং য়াম্বা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা থবক তৌবগী ৱাখল্লোন অমত্তা লৈরকখিদ্রবা মীওইশিংনি। মখোয়গুম্বনা পায়বা লৈঙাক ওইরকপদগী হৌজিক ইন্দিয়াদা মপুক থন্না চাবা ফংদ্রিবা অঙাং মচা মশিং ক্রোর ৬ লোম য়াওনা পুন্না মীওই ক্রোর ২০ রোম লৈবাকসিদা লৈরি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাকপশিংনদি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা লৈঙাক্লি হায়রিবা চাইনাদি ২০১২দগী চহী খুদিংগী মীওই ক্রোর ১ লাখ ৩৭ রোম লাইরবা কোকহন্দুনা ২০২০দা মোদরেটেলি প্রোস্পরস সোসাইটি অমা ওইহন্নবা থৌরাং মায় পাক্লা পায়খৎলকখ্রে। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ২০৩০দা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা লাইর-অনংশিং কোকহন্নবগী থমখিবা পান্দম অদু চাইনাগী ওইনা ২০২০দা মপুং ফাহন্নবা হোৎনরকখিবা অসি ঐখোয়না থাগৎনিংঙাই ওই।

হৌজিক মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মখা শমথরক্তুনা খুদোংথীবা ফিভমদা লৈহল্লক্লিবা অসিগী মরক্তা ঐখোয়না মায়োক্লগদবা কয়া অমসু মাঙদা তাদুনা লৈরি। মরু ওইনা মণিপুরদা খুদামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা শীংচেপ থারক্লিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট, য়াশিন্নবগী মিংদা লান্মীগী মপাঙ ওইহল্লিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন্স, নুংঙাইনদবা হেনগৎহন্নবা অরানবা সেন্সসতা পুখৎলক্লিবা দিলিমিটেসন, আই এল পি চৎনহল্লক্লবসু মীশিংগী খলদা শীংনরক্লিবা সীতিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ইরোল-ইয়েক মাঙহন্নবা শাগৎলক্লিবা হিন্দিয়াগী থৌশিল, খোংনুঙগী পোথোকশিং চিংথোক্লবা হোৎনরকপদা শোকচিল্লক্কদবা অকোয়বগী ফিভম (ইনভাইরনমেন্ট), লল্লোন-ইতিক ফগৎহন্নবগী মিংদা থৌরিনা পুনশিনবগুম লাকশিল্লক্কদৌরিবা লম্বী-থোং, হিংনবগী পাম্বৈ খুদিংমক মেনলেন্দ ইন্দিয়াদা মিপান তাঙহল্লক্লিবা থৌরম থৌশিল, নহারোলশিংগী মতীং য়ৈথৎনবা লৌতুনবা য়াওনা চথুরক্লিবা দ্রগকী লাল্লোং, নীংতম ইহৌ নমথনবগী মিংদা মীয়াম্বু শরাক তমহল্লিবা আর্ম ফোর্সেস স্পিসল পাৱর্স এক্ট (অফসপা) অমসুং চাইনাদা লানশিংনরুবদগী লমদমসিদা পীরক্কদবা লান ঔরাইবগী চৈথেংশিং ঐখোয়না লাইচৎ অসি থেংন-থেংননা মায়োক্লদবা য়াদ্রবা ঙাক্তনি। অদুবু থেংনগদৌরিবশিং অসিগী মওং অমদি ৱাখল্লোন চুমদ্রবদি চ্যের্মেন মাওগী “য়েক্লবনা কাপশিল্লকপা বোম টোপকী মখোলনা চাইনা মীয়াম্বু নীংতম্বগী মীকপ থোকহল্লি” হায়বদুগী ওন্না তৈনবদা ইন্দিয়ানা খুন্নাই অসিবু মুখৎনবা হোৎনরক্লিবা বোম টোপতগী হেন্না শাথিরবা লোইলম লৈঙাক্কী শরৌ লাংশিং অসিবু থেংনরিবনি হায়দুনা মীয়াম্বু ইন্দিয়া মচাশিংদগী হেন্না ইন্দিয়ন ওইশিনখিনবা ওইনা থোকহনখিবা তারবদি মণিপুরগী তুংগী মরাইবক লেপকদৌরিবা নীংতম ইহৌগী খোঙজঙদা অচৌবা অপনবা পীবা ওইনা থোকহল্লকপা য়াই হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, মতাং অসিদা থমজনিংলিবা ৱাফমদি, ঐখোয়না লৈবাক্কী ওইবা থবক অমা নৎত্রগা য়ানিংদবগী খোঙজঙ অমা চঙশিনবা মতমদা চঙশিনগদৌরিবা হীরম অদুগী চপ চাবা ফিভমশিং অমদি মরী লৈনবা ৱাফমশিং নীংথিজনা খঙলবা অমসুং থবক অদু পাঙথোক্লবগী মতীক চাবা থৌরাং লৈরবা মতমদা চঙশিনবা হৌবা হায়বসি থবক অদু মায় পাক্লবগী লম্বীনি। মসিনা খোঙজং অদুগা মরী লৈননা থোক্লকপা হীরম খুদিংমক পাঙ্গল লৈনা থেংনবা ঙমহনবতা নত্তনা মাঙ থাদুনা চঙশিল্লিবা মীওইশিং অদুগী থৌনা লিংজেল শাগৎপদা মীয়ামগী মতেং মপুঙ ফানা ফঙ্গনি। নৎত্রবদি, মায়থীবা মচেৎ অমতং ফংলকপদা মমল য়াল্লবা লৈবাক্কীদমক চোংথোক্তুনা থবক তৌজবা মীওই কয়া অরেম্বদা চন্নফম খঙদনা লৈহনখিবা য়াই। অদুগীসু মথক্তা চঙশিনগদবা খোঙজং অদুগী মরী-মখোঙ অমদি অকোয়বদা লৈরিবা ফিভমশিং অদু চপ চানা খঙহৌ-উহৌদ্রবদি “উ-চী কল্লক য়ুম মৈ থায়” হায়বদু থোকখিদুনা মদুনা হেন্না খুন্নাই অসিদা খুদোংচাদবা কয়া তুং কোইনগী ওইনা মায়োক্লহৌগনি। মীয়াম্নসু হেন্না খঙনিরে, মেইনলেন্দ ইন্দিয়াদা পুথোক্লিবা নুংতিগী ফোঙবা পাউ চেশিং অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা য়াওরিবা নৈনা-ৱারোলশিং অসি অয়াম্বনা শেমজিন-শাজিনবা নৎত্রগা ৱাখলনা শাগৎপশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙদোক্লরকপনা অয়াম্বনি। অইবা খরদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোয় ওইনা লৈবা মরম্না, মণিপুরগী য়াওল ইহৌ নমথনবা হোৎনবদা অপুনবগী পাঙ্গল লৈহন্দনবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা অরানবা ঈ-পাউ কয়া শন্দোক্তুনা মদুবু প্রোপেগন্দা ওইনা শীজিন্নে। মরম অদুনা মীয়াম মরু ওইনা লৈবাক্কীদমক চোংথোক্তুনা থবক তৌবিরিবা সী এস ওশিং অমদি মহৈরোয় লূপশিংনা চঙশিনগদবা খোঙজঙ খুদিংমক মাঙজৌননা অখঙ অহৈশিংগা কুপ্পা খন্নমিন্নবা অমসুং অচুম্বা লম্বী থিমিন্নদুনা পুন্না থবক পায়খৎমিন্নবগী ৱাখল্লোন লৈবিনবা অচেৎপা ৱাফম থমজরি।

অরোইবদা অমুক্তা হন্না থমজনিংলিবা ৱাফমদি, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি চহী ২গী মনুংদদি মুথৎপা ঙম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবসু হীরমসিদা লৈবা অখঙ অহৈশিং খরনদি ভেক্সিন পুথোক্লবা ফাওবদা মীয়াম্না ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এ ও পি)শিং ঙাক্লা চৎত্রবদি মতম শাংনা লাইচৎ অসি মায়োক্লখিগনি হায়রি। মসি মীশিং য়ামজদবা ঐখোয়গীদি য়াম্না মরু ওইনা লৌগদবা ৱাফম অমনি। চাইনাদা লাইচৎ অসি হেক হৌরকপদগী ঙসি ফাওবদা মহীক পল্লকখিবা মীশিংগী মশিংদগী ইন্দিয়ানা নোংমদা পকপা মশিংনা হেল্লক্লবা মতম অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাকপশিংনা লায়না অসিদগী ফগৎলকপগী চাং ৱাংলি অমসুং শিবগী চাং নেম্মী হায়দুনা অতৈ লৈবাকশিংগা য়েংনবদা য়াম্না হেন্না খুমাঙ চাওশিন্না থেংনরি হায়বা অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুরগী লৈঙাকপশিংনা থৌরম শেম্বদা অমদি মীয়াম্না মসিবু থেংনবদা থৌশা-ৱাশাদবগী মওংদা লৈরবদি হর্দ ইম্যুনিটিগী মায়কৈদা চঙশিনখিদুনা লাইচৎ অসিনা ঐখোয়বু কা হেন্না শোকচিলহনখিনি। ফগৎলকপগী চাং ৱাংলবসু লৌনদুনা শন্দোকপা লেপ্ত্রিমখৈদি লৈবাক্কী ওইনা পায়খৎকদবা থবক খুদিংমক্তা অপনবা ওইহনবতা নত্তনা লায়না অসিদগী ফগৎখ্রবশিংদসু লোং হোলর্স কয়া ওইহল্লকপা য়াবনা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন অসি অথুবদা লাকশিন্নবা হোৎনবা হায়বসিনা লাইচৎ অসি থেংনবগী পান্দম ঐখোয়গীদি ওইফম থোকই। লাইচৎ অসিগী হৌরকফম ওইরিবা চাইনাগী ৱুহানদা হৌজিক মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকখিবা অসি ট্রান্সমিসন মপুঙ ফানা লৈহন্দবা ঙমখিবদগীনি। মরম অদুনা হান্নদগী হৌনা শোথদুনা লৈরিবা ইরমদম মণিপুরগীদি লাইচৎ অসিনা মখা শাংথনা লৈরিবমখৈ খুদোংচাদবা ফিভম কয়া থোকহল্লক্লবগী মরম ওইরক্কদবনা লাইচৎ অসি হান্না নমথনবা হোৎনবা হায়বসিনা মাঙজিল থাবা তাই।

অদুমওইনমক খুন্নাইগী ওইনা হৌজিক হৌজিক মেনশিনদবা য়াদবা থবকশিং লাইচৎ অসিগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা মচা খায়না থৌরম থৌশিল য়াত্তুনা মীয়ামগা অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নবগী তঙাইফদবসু য়াম্না চাউনা লৈরি। হেল্থ ক্যের ফেসিলিটি ফগৎহনবা, কোন্নদনা লৈরিবা হেল্থ ৱার্করশিং মেনশিনবা, লাইরিক লাইশু তম্বগী ফিভম ফগৎহনবা, আর্ট এন্দ কলচর অমদি স্পোর্টকী ফিভম মহৌশাগুম হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবা, লৌমী শিন্মীশিংগী খুদোংচাগদবা থৌরাংশিং পায়খৎপা, তোয়শিল্লক্লবা মীহাৎ মীপুনগী থৌদোক ৱাথোকশিং থিংনবা হোৎনবা অমদি লল্লোন ইতিক্কী থবক (ঙমখৈ লান্না লল্লোন ইতিক তৌনবা য়াওনা) মপুঙ ফানা ফগৎনবা হোৎনবনচিংবশিং অসি লৈঙাক্লা লাইচৎ অসি থেংন-থেংননা মীয়াম্না পায়খৎমিন্নগদবা থবকশিং ঙাক্তনি। হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদগী হল্লক্লিবা মীওইশিংদা মশা মশাগী চান্নবা শিনফম পীবা ঙম্নবা অনৌবা থবক্কী থৌরাং পায়খৎপা অমসুং নন-মণিপুরীশিং য়ারিবমখৈ হলহনখিদুনা ইরমদমগী মীয়াম্না মখোয়না শূরম্বা থবকশিং মহুৎ শিলহৌনবা থৌরাং লৈঙাক্লা নৌনা শেম্বা মথৌ তাই। পোৎলম খরদা মীরমদগী মিপান তাঙলবসু চীঞ্জাক্তি ইরমদমদা পুথোকচবা পোথোক্লা কোন্নহন্নবা থৌরাং লৈঙাক্লা শেম্বগী মথক্তা মীয়াম্না হেন্না হীরম অসিদা থৱায় য়াওশিন্ন হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি। লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা তুংদা লৈবাক্কী ওইনা চীঞ্জাক্কী অৱাৎপা লৈরকপা য়াবগী ফিভম লৈরিবা অসি ঐখোয়গী মীয়াম্না তুংশিনবা অমসুং মাঙহন্দবগী ৱাখল্লোন শাগৎপসিসু য়াম্না মথৌ তাই। মালেমদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা অনীশুবা লৈবাক ওইরিবা চাইনাদদি লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা তুংদা চীঞ্জাক্কী অৱাৎপা লৈতনবা মখোয়গী থাইনদগী চৎনরক্লবা ‘ক্লিন প্লেট কেম্পেয্যন’’ নৌহৌনা হৌদোক্তুনা মীয়ামদা চীঞ্জাক্কী অনৌবা থৌশিল পায়খৎপা হৌখ্রে। ৱর্ল্ড বেঙ্কনা মালেমদা হান্না লৈরবা লাইরবশিংগী মথক্তা লাইচৎ অসিনা মীওই ক্রোর ১০ রোম নৌনা হেনগৎহল্লগনি হায়না চেকশিন-ৱাহৈ থমখিবসু লৈবনা ঐখোয়গী খুন্নাইদা চৎনবী ওইনা লৈরক্লিবা চেঙফুদগী চেঙ কোৎপদা খজিক্তং ওইরবসু হঞ্জিনবা অমসুং চাকলুক্তা চাক লেমহন্দনা চাবগী হৈনবী অদু হঞ্জিনহন্দুনা চীঞ্জাক্কী অৱাৎপা মেনখৎপদা শরুক য়ানবগী ৱাখল্লোন ঐখোয় খুদিংমক্তা লৈহনবা তাই। মরম অদুনা ময়াম পুম্নমক্লা লাউনরিবা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবগী ৱাখল্লোন অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা অমসুং ইশানা পুথোকচবা পোথোক্লা মণিপুরদা ৱাত্তা পাদবা খুন্নাই অমা ওইরকহন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্লা থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়নসু আর পি এফকী প্রসিদেন্ট ইরেংবম চাউরেননা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।